# পাকিস্টানদা কাউন্টর-টেররিজম পুলিসনা রেইদ চত্থদুনা লালহৌবা ৬ হাৎখ্রে



লাহোর, ফেব্রুৱারী ১৬ :

পাকিস্টানগী কাউন্টর-টেররিজম পুলিসনা লালহৌবশিংগী লোৎফম অমদা রেইদ তৌখ্রে অমসুং গভর্ণমেন্টগী মায়োক্তা হাৎপা-তুপ্পা অমসুং মাঙহন-তাকহনবগী অনৌবা কেম্প্যেন অমা চত্থরকখিবা টালিবান ফেক্সন অমগী মেম্বরশিংনি চিংনবা মীওই ৬ হাৎখ্রে হায়না পুলিসনা শগোলশেল নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

নিংথৌকাবা নুমিৎতগী লৈবাক অদুগী মফম কয়াদা থোকখিবা বোমগী এটেক কয়ানা মতম খরা ঈং-চিকপগী ফীভম লৈরম্বদু থুগায়খিবগা লোয়ননা মিলিটেন্ট গ্রুপশিংনা মীওই মিলিয়ন ১৮০ লৈবা ন্যুক্লিয়র খুৎলায় লৈরবা লৈবাক অসি মখা তানা অকিবা পোকহল্লি হায়বসি উৎলি হায়রি।

পঞ্জাব প্রোভিন্সকী কাউন্টর টেররিজম দিপার্টমেন্টনা হায়খি, দিপার্টমেন্ট অসিগী ওফিসরশিংনা য়ুমশকৈশাগী অথেংবদা মুল্টান সিটিদা পাকিস্টানি টালিবানগী জামাট-উর-অহরর ফেক্সনগী লোৎফম অমা কোইশিনখি অমসুং মনুংদা লৈরিবা সসপেক্টশিংদু সরেন্দর তৌনবা হায়খি।

'তৌইগুম্বসুং টেররিষ্টশিংদুনা রেইদ চত্থরিবা পার্টি অদুদা নোংমৈ কাপ্লকখি অমসুং বোম কয়া লংশিল্লকখি' হায়না দিপার্টমেন্টগী ৱারোল অমনা হায়খি।

লালহৌবা তরুক হাৎখি, অহুম নৎত্রগা মরিনা অমম্বক্কী খুদোংচাবা লৌদুনা নাম্থোকখি হায়না কাউন্টর-টেররিজম দিপার্টমেন্টনা মখা তাখি। মফমদুদগী হেন্দ গ্রেনেদ অনী, ওটোমেটিক রাইফল অনী অমসুং পিষ্টল অনী লৌখৎখিবনি।

এরিয়া অদুদা লৈবা গভর্ণমেন্টগী মরু ওইবা ইন্সটোলেসনশিংদা মিলিটেন্টশিংনা এটেকশিং চত্থনবা থৌরাং তৌরি হায়বা পাউ অমা ফংবদগী পুলিসনা অথুবা খোঙথাং লৌখৎখি।

নিংথৌকাবা নুমিৎতা লাহোর সিটিদা লৈবা পঞ্জাব প্রোভিন্সিয়ল এসেমব্লি মনাক্তা চত্থখিবা এটেক অমা মিলিটেন্ট ফেক্সন অসিনা ক্লেম তৌখিবনি। এটেক অদুদা মীওই ১৩ শিখি অমসুং ৮০ হেন্না শোকখি।

জামাট-উর-অহররনা হায়খি, এটেক অদু গভর্ণমেন্ট, সিক্যুরিটি ফোর্সশিং, জুদিস্যারি অমসুং সেক্যুলর পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মায়োক্তা মীশি-মীনা অমসুং মাঙহন-তাকহন্নবগী অনৌবা কেম্প্যেন অমগী অহৌবনি। এটেক অদুদগী মিলিটেন্টশিংনা ৱেষ্টর্ন সিটি ক্বেটাদা বোম দিসপোজল ওফিসর অনী হাৎখ্রে অমসুং য়ুমশকৈশা নুমিৎতা নোর্থ-ৱেষ্টর্ন সিটি পেশৱারগী মনাক্তা লৈবা গভর্ণমেন্ট ওফিস অমগী মপানদা সুইসাইদ বোম্মর অমনা মীওই মঙা শিহনখি।

য়ুমশকৈশা নুমিৎতা চত্থখিবা অতোপ্পা এটেক অমদনা পেশৱারদা মোটোরবাইক তোংবা সুইসাইদ বোম্মর অমনা জজশিংগী গ্রুপ অমদা এটেক তৌখি। মদুদা মখোয়গী দ্রাইভর শিখি।

# সাউথ চাইনা সিদা পেট্রোলিং হেনগৎহনবগী মায়োক্তা চাইনানা য়ু এসতা চেকশিন-ৱা হায়খ্রে



বৈজিং, ফেব্রুৱারী ১৬ : সাউথ চাইনা সিদা চাইনাগী সোভরন্টিদা শীংনদনবা বৈজিংনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা য়ু এসতা চেকশিন-ৱা হায়খ্রে। য়েৎনরিবা ঈশিংগী শরুকশিং অদুদা লৈরিবা চাইনাগী খুৎশেমগী ঈথৎশিংগী মনাক্তা য়ু এস নেভিনা অহেনবা ৱারসিপশিং থৌজিন্নবা হোৎনরি হায়বা রিপোর্টশিং লৈরিঙৈদা বৈজিংনা ৱাশিংটনদা চেকশিন-ৱা অসি পীখিবনি।

নোংমাইজিং নুমিৎতা নেভি টাইমসকী পাউনা হায়খি মদুদি, ষ্ট্রেটেজিক ঈশিং লম্বী অদুদা য়ু এস নেভিগী লিদরশিংনা নেভল ওপরেসনশিং নিংথিনা চত্থবা হেনগৎহন্নবা খন্নরি। রিপোর্ট অদুগী মতুং ইন্না, ওপরেসনশিং অদুসান দিয়েগোদা বেজ তৌবা কার্ল ভিনসন কেরিয়র ষ্ট্রাইক গ্রুপকী ৱারসিপশিংনা পাঙথোকপা য়াই। হৌজিক ৱারসিপশিং অদু ৱেষ্টর্ন পেসিফিক্তা লৈরি।

রিপোর্ট অদুগী মতাংদা হংবা ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা চাইনিজ ফোরন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন গেং সুৱাংনা হায়খি, বৈজিংনা সাউথ চাইনা সিদা নিং-তম্না নেভিগেসন তৌবগী ৱাফম শৌগৎলি, তৌইগুম্বসুং চাইনাগী সোভরনিট অমসুং সিক্যুরিটিবু শিংনবা য়ু এসকী এক্সন খুদিংমকপুদি ওপোজ তৌই।

'হৌজিক্কী ওইনদি চাইনা অমসুং অসিয়ন লৈবাকশিংনা পুন্না হোৎনমিন্নবদগী সাউথ চাইনা সিগী ফীভম ষ্টেবল ওইরে অমসুং পোজিটিভ ওইবা মায়কৈরোমদা চঙশিল্লি' হায়না গেংনা হয়খি।

# আইরিশ গভর্ণমেন্ট কনফিদেন্স ভোটতা মায় পাকখ্রে, পি এম এন্দা কেন্নিদা প্রেসর পীবা হেনগৎখ্রে

দুবলি, ফেব্রুৱারী ১৬ :

গভর্ণমেন্টনা পোলিসীং স্কেন্দল অমা হেন্দল তৌবগী মতাংদা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা পার্লিয়ামেন্টদা থাজদবগী মোসন অমগী ভোট লৌনবদা আইরলেন্দগী মাইনোরিটি গভর্ণমেন্ট মায় পাকখ্রে। তৌইগুম্বসুং প্রাইম মিনিষ্টর এন্দা কেন্নিদা মশাগী পার্টিগী মেম্বরশিংনা মফম থাদোক্লবা প্রেসর পীবদি হেনগৎলকখ্রে হায়রি।

ভোট লৌনবা অদুদা পার্লিয়ামেন্টগী মেম্বর ৫৭ না গভর্ণমেন্টবু শৌগৎখি অমসুং ৫৪ না গভর্ণমেন্টগী মায়োক্তা লৈখি। লৈবাক অদুগী অনীশুবা খ্বাইদগী চাউবা পার্টি ওইরিবা ফিয়ান্না ফাইলগী মেম্বর ৪৪ দি ভোট লৌনবদুদা শরুক য়াখিদে। লৈঙাক পায়রিবা কোলিসনগী ইন্দিপেন্দেন্ট মেম্বরশিংনা পার্লিয়ামেন্টদা দিবেট চত্থগদবা পুং অমখক্কী মমাঙদা গভর্ণমেন্টবু শৌগৎপগী ৱাফম কনফার্ম তৌখি।

চহী অমগী মমাঙদা পাঙথোকখিবা মীখলদা মহাক্কী ফাইন গাইল পার্টিগী পার্ফোর্মেন্স শোনখিবগীদমক্তা কন্না ক্রিটিসাইজ তৌখিবা কেন্নিনা মহাক পার্টি অদুবু মথংগী ইলেক্সনদা লিদ তৌবা পামদ্রে হায়খি।

মহাক্না করম্বা মতমদা মহাক মফম থাদোক্কদগে হায়বদু ফোঙদোকখিদে অমসুং হন্দক থা খরসিদা য়ামদ্রবদা পার্টিগী মেম্বর ৬ না অনৌবা ইলেক্সন পাঙথোক্ত্রিঙৈগী মাঙওইননা পার্টিগী ফীভম অমা শেমহৌনবা অনৌবা লীদর অমদা মতম পীনবা থেংথবগী মহুত্তা য়ারিবমখৈ থুনা মফম থাদোক্লবা তকশিনখি।

হৌখিবা চয়োলদা উবা ফংখিবা ওপিনিয়ন পোল অমগী রিজল্টতা কেন্নিগী ফাইন গাইলবু শৌগৎপগী চাং চাদা ২১ দা হাইথখিবদগী মহাকপু মফম থাদোক্লবা লাউবা খোল্লাউশিং হেনগৎলকখি। ফাইন গাইলনা ফংলিবা সপোর্টকী চাং অসি ফেলো সেনট্রিষ্ট পার্টি ফিয়ান্না ফাইলনা ফংখিবা চাংদগী পোইন্ট ১১ হন্থে হায়রি।

ফাইন গাইলগী পার্লিয়ামেন্টগী মেম্বর জোন পাউল ফেলাননা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা অহানবা ওইনা কেন্নিনা মফম থাদোক্লবগী মতম অমা পীরদুনা হায়খি মদুদি, চয়োল তরুক্তগী নিপান ফাওবগী মনুংদা কেন্নিগী মহুৎ অমা খনগদবনি।

'অতেনবা মতমগী মনুংদা ফাইন গাইলগী অনৌবা লিদর অমা লৈগদবনি, মরমদি ঐখোয় অথুবা মতমদা পাঙথোক্কদবা অতোপ্পা জেনরেল ইলেক্সনদা শরুক য়াবা ঙম্বগী মওং উদে' হায়না মহাক্না লোকেল রেদিও ষ্টেসন কে সি এল আর লাইভতা হায়খি। 'মসিগী চয়োল অসিনা গভর্ণমেন্ট অসি অরুবা ফীভমদা লৈরে হংয়বসি উৎখ্রে' হায়না মহাক্না হায়খি।

# কিম জোং উনগী পোকমিন্নদবা ময়াম্বগী মীহাৎতা অহুমশুবা চিংনবা মীওই ফাগৎখ্রে

কুলা লম্পুর, ফেব্রুৱারী ১৬ :

নোর্থ কোরিয়াগী দিক্টেটর কিম জোং উনগী পোকমিন্নদবা ময়াম্বা কিম জোং নামগী মীহাৎকা মরী লৈননা অহুমশুবা চিংনবা মীওই ফারে হায়না মালেসিয়ন পুলিসনা ক্লেম তৌখ্রে।

হান্না ফাগৎখ্রবা অনীশুবা নুপী সসপেক্ট অদুগী বোইফ্রেন্দনি হায়না থাজনবা মালেসিয়ন নুপা অদু য়ুমশকৈশাগী নুমিদাংদা ফাখিবনি। মীওই অসিদগী ফংবা ইনফোর্মেসনদা য়ুম্ফম ওইরগা মীহাৎ অদুদা চেন্নবনি হায়রিবা নুপীদু মখোয়না ফাবা ঙমখিবনি হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি।

নুপী অদুনা শিজিন্নবা ইন্দো-নেসিয়ন ট্রাভেল দোক্যুমেন্টশিংদা মহাক্কী মমিং সিঠি ঐইসাহ, চহী ২৫ হায়না পল্লমখি। অতোপ্পা নুপী সসপেক্ট অদুনা পায়রম্বা ভিয়েটনামগী ট্রাভেল দোক্যু-মেন্টশিংদা মহাক্কী মমিং স্পোৱান থি হুৱোং, চহী ২৮ হায়না পল্লমখি।



মহাকসু য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ফাখি।

কুলা লম্পুর ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতগী লৌবা সি সি টি ভি ফুটেজনা নুপী সসপেক্ট অনীদুগী মশক খঙবদা মতেং ওইখি। জোং নাম এয়রপোর্ট অদুদা খঙহৌদনা মশা ঙল্লকখিদবনি। মহাক হোস্পিটাল য়ৌদ্রিঙৈদা লম্বীদা মত্থাই থাখি।

মীহাৎ অদু হু ওইবা পোৎশক খরা শিজিন্নদুনা পাঙথোকখিবনি হায়না ওথোরিটিশিংনা থাজে। হু য়াওরবা য়েত্তুমনা, স্প্রেনা নৎত্রগা হু থারবা ফি শিজিন্নদুনা নামবু হাৎখিবনি হায়না থাজনরি।

চৈরকসিদা, সাউথ কোরিয়াগী ওফিসলশিংনা হায়রি মদুদি, জোং নামগী মীহাৎ অদু নোর্থ কোরিয়াগী দিক্টেটরগী ওর্দরদা পাঙথোকখিবনি, মরমদি দিক্টেটর অসিনা মহাক্কী পোকমিন্নদবা ময়াম্বদু মহাক্কী রেজিমদা থ্রেট অমনি হায়না লৌই।

জোং নাম অসি সাউথ কোরিয়ন এক্ট্রেস সোং হয়ে-রিমগী মচানুপানি। এক্ট্রেস অসি কিম জোং-ইলগী মিষ্ট্রেস অমনি হায়না মীওই কয়ানা থাজনৈ।

অদুম ওইনমক ষ্টেটনা ওর্দর তৌবা মীহাৎ অমগা মরী লৈনবা ৱাথোক্তগা নোর্থ কোরিয়াগী দিক্টেটরগী মমিং চেন্নবসি মসিনা অহানবা নত্তে। হৌখিবা কুমজা ২০১৩ দা জোং উননা আর্মি জেনরেল অমসুং মহাক্কী মখুরা জাং সোং-থেকপু মেছিন গননা কাপ্পগা হাৎনবা ওর্দর তৌখি। দিক্টেটর অসিনা মহাকপু লৈবাক্কী থাজবা মাঙহনবা মীশক অমনি হায়না খনবদগী মহাকপু হাৎনবা ওর্দর তৌখিবনি।

# 'সিরিয়াগী টাউনদা বোম্মিং রেইদ চত্থবদা মীচম ২৪ শিখ্রে'

দমাস্কস, ফেব্রুৱারী ১৬ :

ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপ্পা পায়শিল্লিবা সিরিয়াগী টাউন অমদা টর্কিনা বোম্মিং রেইদ চত্থবদা মীচম ২৪ শিখ্রে হায়না মোনিটর অমনা শগোলশেল নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে, তৌইগুম্বসুং টর্কিগী আর্মিনদি ওপরেসন অদুদা টেররিষ্টশিংদমক শিখি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

সিরিয়ন ওবজার্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসনা হায়খি, হৌখিবা পুং ২৪ দা অল-বাব টাউনদা চত্থখিবা এয়র ষ্ট্রাইকশিং অমসুং সেলিংদা শিখিবশিংদুগী মনুংদা অঙাং ১১ য়াওখি।

ষ্টেটনা রন তৌবা অনাদোলু ন্যুজ এজেন্সিনা টর্কিশ আর্মিগী ৱারোল পল্লদুনা হায়খি, এয়র ষ্ট্রাইকশিং, আর্টিলেরি ফায়র অমসুং খুৎ থোক্লবদা টেররিষ্ট ১৫ শিখ্রে। অল-বাব অসি নোদর্ন সিরিয়াগী প্রোভিন্স অলেপ্পোদা লৈবা আই এসকী অরোইবা ষ্ট্রোংহোল্ডনি অমসুং হন্দক থা খরসিদা টর্কিশ ফোর্সশিং অমসুং মীচং ওইবা সিরিয়ন রেবেলশিংনা মফম অসিদা অকনবা এটেকশিং চত্থখি।



হৌখিবা চয়োলগী অরোইবদা জোইন্ট ফোর্স অসি অল-বাবতা চঙশিনখি অমসুং টর্কিশ প্রাইম মিনিষ্টর বিনালি য়িলদরিমনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা হায়খি মদুদি, টাউন অসিগী অয়াম্বা শরুক টর্কিশ অমসুং এলাইদ ফোর্সশিংনা কন্ট্রোল তৌরে।

অদুম ওইনমক ওবজার্ভেটরি অসিনা হায়খি মদুদি, নোংচুপলোমদগী টাউন অদুদা চঙশিনখিঙৈদগী টর্কিশ ফোর্সশিং খুমাঙ চাউশিনবা ঙমদ্রি।

টর্কিনা সিরিয়াদা হৌখিবা ওগষ্টতগী আই এস অমসুং কর্দিশ ফাইটরশিং অনীমকপু টার্গেট তৌরদুনা মিলিটরি ওপরেসনশিং হৌখি।

অহানবদা ফোর্সশিং অদুয়াম্না খোঙজেল থুনা চঙশিনখি তৌইগুম্বসুং হৌখিবা দিসেম্বরদা অল-বাবকী অকোয়বদা হায়দোক-হায়জিন য়াদনা লৈখি।

টাউন অসি খারোমদগী চঙশিল্লিবা সিরিয়ন গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংগী মরু ওইবা টার্গেট অমসু ওইরি।

মখোয়না হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা অল-বাবতা চঙশিনবগী মহুত্তা টাউনগী চিদাইদা লৈরিবা আই এসনা পায়শিল্লিবা টেরিটরিদা ওইনা মিৎয়েং থমখি।

কুমজা ২০১১ গী মার্চতা এন্টি-গভর্ণমেন্ট প্রোটেষ্টশিংগা লোয়ননা কনফ্লিক্ট অদু হৌখিবদগী সিরিয়াদা মীওই ৩১০,০০০ হেন্না শিখ্রে।

লাল অদুনা সিরিয়াগী অপুনবা মীশিংগী তঙ্খায় অমা হেন্না ময়ুম-মকৈ থাদোকহনখ্রে। জিহাদিষ্টশিংনা লাল অদুগী খুদোংচাবা লৌদুনা লমদম অদুদা মখোয়গী ষ্ট্রোংহোল্ডশিং শেমগৎখি অমসুং ইন্টরনেসনল মিলিটরিশিংনা লাল অদুদা মখোয়গী মতীক ময়াই উৎনখি।

# হফিজ সয়ীদনা পাকিস্টান গভর্ণমেন্টদা ট্রাভেল বেন লিষ্টতগী মহাক্কী মমিং লৌথোক্লবা তকশিনখ্রে



লাহোর, ফেব্রুৱারী ১৬ : জমাট-উদ দাৱাহগী চীফ হফিজ সয়ীদনা পাকিস্টান গভর্ণমেন্টদা লৈবাক অসিবু থাদোক্তুনা চৎপদা অথিংবা থল্লিবা মীওইশিংগী লিষ্টতগী মহাক্কী মমিং লৌথোক্লবা তকশিনখ্রে। মহাক সিক্যুরিটি রিস্ক অমা নত্তে লোয়ননা মহাক্কী আউটফিটনা টেররিষ্টকী থবক থৌওং অমত্তা চত্থখিবসু লৈতে হায়না সয়ীদনা ক্লেম তৌখি।

ইন্টরিয়র মিনিষ্টর চাউধরি নিশর অলি খানদা ইবা লেট্টর অমদা মীওই ১৬৬ শিহনখিবা কুমজা ২০০৮ দা মুম্বাইদা চত্থখিবা টেররিষ্ট এটেক্কুগী মাষ্টরমাইন্দ অদুনা হায়খি, 'মীওই ৩৮ লৈবাক অসি থাদোক্তুনা চৎপদা অথিংবা থল্লিবা হৌখিবা জানুৱারী ৩০ দা ইসু তৌখিবা মেমোরেন্দম অদু খুদক্তা ৱিঠদ্রো তৌগদবনি।

পাকিস্টান গভর্ণমেন্টনা হৌখিবা থাদা সয়ীদ অমসুং জে য়ু দিগী অতৈ লীদর ৩৭ অমসুং মহাক্কী ফালাহ-ঈ-ইন্সনিয়াট চেরিটিবু এগজিট কন্ট্রোল লিষ্টতা হাপচিনখিবনি। গভর্ণমেন্টনা সয়ীদ অমসুং ওর্গনাইজেসনশিং অদুগী অতৈ লীদর মরিবু পিছ অমসুং সিক্যুরিটিদা অকায়বা পীবা থবক থৌওংশিংদা চেন্নবগীদমক্তা নুমিৎ ৯০ নি 'হাউস এরেষ্ট'কী ফীভমদসু লৈহনখি।

অহেনবা চেকশিন থৌরাং অমা ওইনা ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিনা জে য়ু দি অমসুং এফ আই এফপু থা তরুক 'ৱাচলিষ্ট' লৈহনখি।

তৌইগুম্বসুং সয়ীদনা গভর্ণমেন্টগী ৱারেপশিং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা হায়খি মদুদি, জে য়ু দিনা পাকিস্টানদা টেররিষ্ট এক্তিভিটি অমত্তা চত্থখিবা লৈতে অমসুং ওর্গনাইজেসন অসিবু টেররিজমগী থবক নৎত্রগা লন-থুম মাঙহন-তাকহনবগ মরী লৈননা মরাল শীবা লৈতে।

লো কোর্ট অমদা মহাক্কী মায়োক্তা ফেদেরেল নৎত্রগা প্রোভিন্সিয়ল গভর্ণমেন্টশিংনা পোৎশক অমত্তা পুথোকপা লৈত্রি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

হৌখিবা কুমজা ২০০৯ দা মহাক্কী মায়োক্তা থাঙ্গৎখিবা কেস অমদা লাহোর হায় কোর্টকী ফুল বেঞ্চ অমনা পীখিবা ওবজার্ভেসন অমা মহাক্না পনখি। কোর্টনা অসুম্না ওবজার্ভ তৌখি: 'হৌজিক্তি কেস অসিদা পিটিস্নরশিং পাকিস্টানগী সিক্যুরিটিদা রিস্ক ওই হায়বগী ইভিদেন্স অমত্তা গভর্ণমেন্টদা লৈতে অমসুং সুপ্পগী য়ু এন রিজোল্যুসনদা য়ুম্ফম ওইরগা মখোয়বু অফা-অপুন্ননা থম্নিঙাই ওইদে।'




## EMPLOYMENT NEWS

### AIIMS Rishikesh Recruitment 2017- All India Institute Medical Sciences – 19 Senior Resident & Junior Resident Vacancy – Last Date 10 March

**AIIMS Rishikesh Recruitment 2017**
All India Institute of Medical Sciences (AIIMS) Rishikesh invites application for the post 19 Senior Resident & Junior Resident on tenure basis for Person with Disability. Apply Online before 10 March 2017. Qualification/eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

Advt. No. : 21/18/2016(RIS)/ADMN/0715

**AIIMS Rishikesh Job Details :**
Post Name : Senior Resident
No of Vacancy : 10 Posts
Pay Scale : Rs. 15600-39100/-
Grade Pay : Rs. 6600/-
Post Name : Junior Resident
No of Vacancy : 09 Posts
Pay Scale : Rs. 15600-39100/-
Grade Pay : Rs. 5400/-

**Eligibility Criteria for AIIMS Reshikesh Recruitment :**
Educational Qualification :
For Senior Resident : Candidates must have Post Graduate Medical degree viz. MD/MS/DNB in the respective discipline from recognized university / institute.
For Junior Resident : Candidates must have passsed MBBS or equivalent degree recognized by MCI.

Nationality : Indian
Age Limit : maximum age limit is 43 years for Senior Resident & 40 years for Junior Resident As on 10.03.2017
Age Relaxation : OBC Candidates 3 years & SC/ST Candidates 5 years

**Job Location : Rishikesh (Uttrakhand)**

**Selection Process :** Selection will be made on interview.
**Application Fee :** There is no application fee.

**How to Apply AIIMS Rishikesh Vacancy :** Interested candidates may Apply Online through the website http://www.aiimsrishikesh.edu.in/ from 11.02.2017 to 10.03.2017 till 05:00 PM.

**Important Dates to Remember :**
Starting Date for Submission of Online Application : 11.02.2017
Last Date for Submission of Online Application : 10.03.2017
**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://www.aiimsrishikesh.edu.in/recruitments/20170210145515-aiims-req-10feb17.pdf
**Apply Online :** http://www.aiimsrishikesh.edu.in/recruitments.php

### WII Recruitment 2017 – Wildlife Institute of India – 55 Project Fellow, Project Assistant & Various Vacancies – Last Date 12 March

**WII Recruitment 2017**
Wildlife Institute of India (WII) invites application for the post of 55 Project Fellow, Project Assistant & Various Vacancies. Apply Online before 12 March 2017. Qualification/eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

Advt. No. : WII/NMCG/2017-1

**WII Job Details :**

Post Name : Project Fellow (Ecology & Conservation biology)
No. of Vacancy : 03 Posts
Pay Scale : Rs. 32000/- (Per Month)
Post Name : Project Assistant Grade II (Technical)
No. of Vacancy : 02 Posts
Pay Scale : Rs. 20000/- (Per Month)

**Eligibility Criteria for WII Recruitment :**
Educational Qualification :
For Project Fellow (Ecology & Conservation biology) : Master's degree with minimum of 60% aggregate marks in Wildlife Science/ Forestry/ Environmental Science/ Environmental Management/ Botany/ Zoology/ Veterinary Science/ Life Science or related subjects with 1 year experience in relevant field.
For Project Assistant Grade II : Bachelor's degree with minimum of 60% aggregate marks in computer science with year experience in relevant field.

Nationality : Indian
Age Limit : Maximum age limit is 35 years for Project Assistant & 30 years for Project Fellow.
Age Relaxation : 05 years for SC/ST/Woman/PWD Candidates and 03 years for OBC Candidates

**Job Location : Dehradun (Uttarakhand)**

**Selection Process :** Selection will be based on Written test and Personal interview.

**Application Fee :** Candidates have to pay Rs.500/- through Internet Banking/Debit Card/Credit Card. The SC/ST candidates are exempted from paying the application fee

**How to Apply WII Vacancy :** Interested candidates may apply Online through the website http://www.wii.gov.in on or before 12.03.2017

**Important Dates to Remember :**
Last Date for Submission of Online Application : 12.03.2017
Date of Written Exam : 26.03.2017

**Important Links :**
Details Advertisement Link : http://www.wii.gov.in/images//images/documents/recruitments/NMCG_project_feb_2017.pdf
**Apply Online :** http://services2.exon.in/wiircnctest/reg/